# জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কো-ওর্দিনেসন কন্মিটি শেমখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুন ২৫ঃ* মহৈরোইশিংগী লুপ ৬ এমসু, এম এস এফ, দেসাম, কে এস এ, শুক অমদি শ্বাককী ওইবা অপুনবা মীফম অমা হৌখিবা জুনগী ১৩ দা এমসু হেদ ক্বাটরসতা পাঙথোক্লবা মতুং 'জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কো-ওর্দিনেসন কন্মিটি' কৌবা কন্মিটি অমা শেমখ্রে। লোয়ননা কন্মিটি অসিনা মহৈলোইশঙশিংদা মীৎয়েং চংগদৌরি।

মহৈরোইশিংগী লুপ ৬ কী মীহুৎ ২ / ২ না রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শেমখিবা কো-ওর্দিনেসন কন্মিটি অদু দা এম এস এফকী প্রসিদেন্ট এন জি মিলন্না কনভেনর অমদি শুক্কী ভাইস-প্রসিদেন্ট শন্তোস লাইনা ত্রেজরর ওইনা খল্লে হায়রি।

লোয়ননা এমসুগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ শুরেশ, সেক্রেটরি ঐচ আর দি এল রোমেন, এম এস এফ, জেনরেল সেক্রেটরি (ইন-চার্জ) এ বোইনাও, দেসামগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম অঙম্বা, জেনরেল সেক্রেটরি এ থোইথোই, কে এস এগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ প্রেমানন্দ, ভাইস-প্রসিদেন্ট পি ঐচ মনাও, শুক্কী ফাইনান্স সেক্রেটরি টি ঐচ রিচার্দ, শ্বাক্কী জেনরেল সেক্রেটরি এস পুনশিবা অমদি পব্লিসিটি সেক্রেটরি এ জাকিনাঠনা কন্মিটি মেম্বরশিং ওইনা খল্লে হায়রি।

কন্মিটি অসি মরুওইনা মহৈরোইশিংগী লুপ ৬ অসিনা থবক পুন্না চংশিনবদা খুদোং চানবা হায়দুনা কো-ওর্দিনেসন কন্মিটি অসি শেম্বনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা ঙসি নুংথিল কৈশাম্পাৎ সেগা রোদতা লৈবা এম এস এফকী হেদ ক্বাটরসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা কো-ওর্দিনেসন কন্মিটিগী মেম্বর এ থোইথোইনা ফোঙদোরকখিবদা, কন্মিটি অসিনা অহানবা ওইনা মহৈলোয়শঙশিংদা মহৈরোইশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা, ক্লাসতা মোবাইল শীজিন্নবা অমদি য়ুনিফোর্ম শেত্তবশিংদা মীৎয়েং চংলগনি হায়রি।

স্কুল, কলেজশিংদা মহৈরোইশিংনা ময়াইকাবা চিঞ্জাক চুরূট, খৈনি, তলবনচিংবা অমত্তা শীজিন্নবা য়ারোই। অমদি স্কুল কলেজকী কেম্পস মনুংদসু তলব খৈনি অমদি ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং অমত্তা য়োনবা য়াররোই হায়রি।

ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবদা লৈরিবা মহৈরোইশিংনসু ক্লাস মনুংদা মোবাইল ফোন শীজিন্নবদা কন্মিটি অসিনা অথিংবা থম্বগা লোয়ননা মহৈরোইশিংনা স্কুল অমদি কলেজগী য়ুনিফোর্ম শেৎতবশু য়াররোই হায়রি। মরু ওইনা নুপী মহৈরোইশিংনা য়ুনিফোর্মদা ফনেকনি হায়রগা খু-মথক্তা শেৎপা অমদি টি শার্ট রাউন্দ লিৎপসু য়াররোই। ফনেক অমা ওইবগী শেৎফম থোকপা ফনেক্কী মওংদা শেৎকদবনি। মহৈরোই অমা ওইবগী চপ-চাবা য়ুনিফোর্ম অদু ঙাক্লা ইনবিয়ু। ফেসন ওইনা ওন্থোকপীগনু। ইন্সটিট্যুট অদুগী হেদশিং অমদি ক্লাস টিচরশিংনসু য়ুনিফোর্ম শেৎতবশিংদা ক্লাস য়াওহনবীগনু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা আপিল তৌরক্লি।

কো-ওর্দিনেসন কন্মিটি অসিনা অথুবা মতমদা স্কুল কলেজশিংদা সরপ্রাইস ভিজিট চৎপা হৌরগনি। মসিদা করিগুম্বা ইল্লমদবা মহৈরোইশিং থেংনবা তারগদি ছাত্রগী খুন্নায়, এদুকেসনবু অফবা অমদি অওনবা সোসাইটি পুরক্লবা হোৎনরিবা খোঙথাংশিং অসিগী মায়োক্তা লৈবনি হায়না লৌদুনা এক্সন লৌখৎকনি হায়নসু এ থোই থোইনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।